
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 51, Issue No. 80 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | থাংজ, ইঙাগী ২৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, June 13, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# য়ু এন সীনা চীফ মিনিষ্টরদা চার্টর ওফ দিমান্দশিং পীশিনখ্রে
## কে এন এফ-পিবু টেররিষ্টনি লাউথোকউ, নেমচা কিপগেন লৌথোকউ : য়ু এন সী

**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩গী নুমিৎয়ুংলকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লৈলোন ভাইফে খুলগী খুঞ্জা নুপীশিংনা হান্না ফারবা মতুংদা কে এন এফ-পিনা মমিৎ অমদি মখূৎ পুনশিল্লগা পুরগা চৎখিবদগী মফম খঙদনা লৈরক্লবা মতুং থা অসিগী ১০গী নুংথিলদা খুল অসিমক্কী মফম অমদগী অশিবা হকচাংশিং ওইনা ফংখিবা নাগা মীচম তরুক্কী থৌদোক্কী মতাংদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না ঙসি তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ মরি য়াওবা চার্টর ওফ দিমান্দ অমা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দদা পীশিনখ্রে।


জেনিমসকী মীরেলশঙদা নাগা ৬কী হকচাং পুরক্লমদাইদা থোমজিল্লকখিবা মীয়াম্না য়ানীংদবা ফোঙদোকপা (ফাইল ফোটো)

য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট এন জি লোরহো, জেনরেল সেক্রেটরি ভরৈওসটসাংনা খূৎয়েক পীদুনা পীশিনখিবা চেরোল অসিগী কোপিশিং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর এল দিখো, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, চীফ সেক্রেটরি ডা. পি কে গোলয় অমসুং দি জি পি মুকেশ সিংহদসু পীখি হায়রি।

লমায় অনী পানবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### চীফ মিনিষ্টর ৱিমেন ইকনমিক এম্পৱারমেন্ট স্কিম ৱাথোক ওইরে
# লুপা ক্রোর ৩৫০গী স্কিম অসি এম এল এশিংনা ভোট খোম্বগী পান্থে ওইনা চথরক্লিবসি ইলেক্সনগী ওফেন্সনি : ও জয়

**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস) :** চীফ মিনিষ্টর ৱিমেন ইকনমিক এম্পৱারমেন্ট স্কিমগী লুপা ক্রোর ৩৫০ এয়র মার্ক তৌরিবসি ভোট খোম্বগী পান্থে ওইনা তোঙান-তোঙানবা এম এল এশিংনা মখোয় মখোয়গী এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিশিংদা চথরক্লিবা থৌওং অসি ইলেক্সনগী ওফেন্স অমনি হায়বগা লোয়ননা হন্দক্কী ইলেক্সন অসি এম এল এ ময়ামগী লন-থুম লেপ্পবা নত্তে, মৈ চাক্লিবা ইমা লৈবাক ইরমদম অসি কন্নবগী ইলেক্সননি হায়না ভেটরেন পোলিটিসিয়ন ও জয়না ফোঙদোকখ্রে।



স্কিম অসিগী মতাংদা ঙসি মহাক্না গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মীৎয়েং চঙবীনবা ৱাকৎখিবগা মরী লৈননা কক্ৱা হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, লমদমসিদা থোকখিবা মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোকসিদা বি জে পিগী লুচিংবশিং তূমিন্না লৈশিল্লি। বি জে পিনা লুচিংলিবা ঙসিগী সেন্টরগী লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী মীয়াম্বু থৌশাদে হায়বসি মখোয়না চথরিবা থৌওং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখিবদগী খুন্নাই অসিগী সেক্সন খুদিংমক মখোয়না লাকশিন্নবা হোৎনরি। লাক্কদৌরিবা মীখলসিদা মণিপুরগী মীয়াম অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোলকটাদা গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিং মৈ চাকপদা হন্দক্কী মীখলদা কন্সটিটুয়েন্সি ১০দা শীজিন্নখিবা ঈ ভি এম লিশীং ৪ রোম মৈ চাকখ্রে



**ন্যু দেল্লী, জুন ১২ (এজেন্সী):** হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী এসেমব্লি ইলেক্সনগী কন্সটিটুয়েন্সি ১০দা শীজিন্নখিবা ঈ ভি এমশিং কোলকটাদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিং অমা মৈ চাকপদা য়াওখ্রে হায়না ষ্টেট অসিগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ফায়র এন্দ ইমজেন্সি সর্ভিসেস) কাওসিক চৌধুরিনা ফোঙদোকখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সী অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

ৱাফম অসিগা ইরোয়ননা মৈ চাকপগী থৌদোক অসি 'নোর্মেল ফায়র' ওইরোইদবগী ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌওইনা চথখিব্রা হায়বদু ওথোরিটিশিংনা থিজিল্লি হায়খ্রে।

থৌদোক অসি সাউথ কোলকটাগী অলিপুর এরিয়াদা লৈবা মথোন ৯ ৱাংবা বিল্ডিং অমদা হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা থোকখিবনি। বিল্ডিং অসিদা লৈবা লোয়শঙশিংগী মনুংদা সাউথ ২৪ প্রগনাজ জিলা পরিষদকী ওফিসসু য়াওরিবনি। জিলা পরিষদ অসিনা হন্দক্কী এসেমব্লি মীখলদা মায়থীহৌরবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা চলাইবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেশন চথুবা হৌরে হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা পাউগী এজেন্সীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# এম পি বিমোলনা কোন্সাখুলগী আই দি পিশিংগা হকথেংননা উন্নখ্রে
## মীচম হাৎপগী থৌদোকসি টেররিজমগী থবক্নি : ডা.বিমোল

**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস) :** কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কোন্সাখুলদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মখানদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিং হকথেংননা উন্নদুনা মখোয়না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা কোংগ্রেস এম পি প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মীচম্বু ফারগা থম্বা অমসুং মীনুংশি য়াওদনা তমথীনা হাৎতোকপগী থবক অসি টেররিজমগী থবক্নি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



মখান খুলদা চঙজফম লৌরক্লিবা কোন্সাখুলগী আই দি পিশিংবু ঙসি মহাক্না হকথেংননা উন্নখিবগা লোয়ননা খুল অসিগী মীচমশিংনা মায়োক্লরিবা তমথীরবা থৌদোকশিংবু মহাক্না অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২৩দগী মণিপুরগী ৱাথোক অসি থোরকপদগী হৌরদুনা মীওইবগী লীচৎ নত্তবা থৌদোকশিং মায়োক্লরক্লি অমসুং মীচম ফারগা হাৎপগী থবক অসিদি টেররিজমগী থবক্নি হায়খি।

মণিপুরদা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং তোয়না থোকচিল্লকপনা ষ্টেট অসিবু থৌদোকশিং অসিনা পীক থলহল্লে হায়নসু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

থৌদোকশিং অসি লাকশিন্দুনা থোকহন্দনবা হোৎনবগী মহুত্তা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোক্লমদবা মফমশিংদসু থোকহল্লক্লে অমসুং মসিনা অতোপ্পা ফুরুপশিংসু কোনশিল্লক্লে হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টলোমদা পোৎ-চৈশিং পুশিনবা থিংলি

**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩গী অয়ূক্তা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু কৈথেলমানবী পি এসনা কোনবা কোটলেন অমসুং কোটজিম অনী ফাওদুনা চৎপা ইন্টর-ভিলেজ রোদ অমগী মফম অমদা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু অমনা এম্বুশ তৌদুনা থাদৌ চর্চ লীদর অহুম হাৎলগা অতোপ্পা মরিনা শোকহনখিবা অমসুং হৌজিক্লা অশিবা হকচাং ওইনা শীন্নরক্লবা নাগা মীচম তরুক ফাজিনখিবগী মায়োক্তা এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী পরিংদা ইকনমিক ব্লোকেদ মখা তানা চথরি।



খোঙজং অসি কৌব্রু রেঞ্জ লিয়াংমাই ৱিমেন য়ুনিয়ন (কে আর এল দব্লিয়ু য়ু)গী মীৎয়েং মখাদা নাগা ফূরুপকী মীওইশিং মরু ওইনা লোকল লিয়াংমাই নাগাশিংনা থা অসিগী ৫দগী হৌরদুনা চঙশিল্লকখিবনি। খোঙজংলোইশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেকমাই পি এসকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# অসাম-নাগালেন্দ বাউন্দরি এরিয়াদা মিনরেল ওইল ওপরেশন চথনবা ত্রাইপর্টাইট এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখ্রে
## ত্রাইপর্টাইট এম ও য়ু অসিবু নাগা রেবেল গ্রুপশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

**গুৱাহাটি, জুন ১২ (এজেন্সী) :** অসাম অমসুং নাগালেন্দগী তাইনবা বাউন্দরি এরিয়াশিংদা মিনরেল ওইল ওপরেশন চথনবগীদমক সেন্টরনা অসাম অমসুং নাগালেন্দ লৈঙাক্কী মরক্তা ত্রাইপর্টাইট এম ও য়ু অমা ঙরাং খূৎয়েক পীনখ্রে।



খূৎয়েক পীনবা অসিগী খুদোংচাবা লৌরদুনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মথং চহীদা নোর্থ-ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী মনুংদগী অমা নৎত্রগা অনী নত্তনা অতে ষ্টেটশিংদগী অফস্পা লৌথোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখিবা অসি পুৱারী ওইহৌরগদবা তাঙ্ককনি হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা নোর্থ-ইষ্ট চাওখৎহন্নবা য়েংলিবা মীৎয়েংদা খুরৌ থাংলম্বা অদু এম ও য়ু অসিনা লৌথোক্লে হায়খি।

য়ান্নবা অসিনা অসাম অমসুং নাগালেন্দ ঙমখৈ পরিংদা 'দিস্প্যুটেদ এরিয়া বেল্ট' (দি এ বি) দা ওইল অমসুং মিনরেল এক্সপ্লোরেশনগী থবক পায়খৎপা ঙমহল্লগনি হায়রি। ষ্টেট অনীগী জ্যুরিসদিক্সনদা খেন্নবনা মরম ওইরদুনা রিজন অসিদা চহী ৩০ রোম এক্সপ্লোরেশনগী থবকশিং চথুবা য়াদনা লৈরকখিবনি হায়রি। এম ও য়ু অসিনা নোংমদা ওইল বেরেল লিশীং ১দগী ১৫০০ ফাওবা এক্সট্রেক্সন তৌরক্লিবসি শরুক ১০ য়ৌনা হেনগৎহল্লগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২




### 'আই এম'না অকোইজম নোংঙানবা হাৎখিবগী কেস
# সিনিয়র কাউন্সেল খাইদেম মনিনা কোর্টনা 'এপ্রোপ্রিএট ওর্দর' ১ হেক্তা পাস তৌবীয়ু হায়খ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস):** মণিপুরগী লান হৌরক্লিঙৈ ফেব্রুৱারী ১২,২০২৩দা কাংপোকপী পি এসতগী কিলোমিটর অহুমলোমদমক লাপ্পবা চঙৌবুং খুলগী মফম অমদা এন এস সী এন - আই এমগী কাদরশিংনা মীহাৎ থীনা হাৎতোক্লম্বদগী শিনা ফংখিবা ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা মিনিষ্টর ওইরম্বা এ কে লানঙমগী মচানুপা অকোইজম নোংঙানবা মীহাৎকী কেসপু এন আই এদা খূৎশিন্নহনবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সেপ্টেম্বর ৪,২০২৪দা লৈখিদ্রবগী অপোকপী এ কে শান্তিবালানা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশনগী ৱায়েলদা থেংথবা য়াবা থেংথরক্লে হায়রদুনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল খাইদেম মনিনা কোর্টকী মায়কৈদগী 'এপ্রোপ্রিএট ওর্দর' অমা হেক্তা পাস তৌবীয়ু হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।


লৈখিদ্রবা এ কে নোংঙানবা (ফাইল ফোটো)

থৌদোক অসিগী কেস কাংপোকপী পি এসনা লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেশন চথরবসু লৈখিদ্রবগী অপোকপীনা মণিপুর ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামগী পূন্সি কনবগী থবক তৌরক্ত্রবদি মীয়াম হৌরক্কনি : ৱাই কে ধিরেন

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস):** ফাখিবা মী থাদোক্লবা আপীল তৌবা অমসুং ঈং-তপ্পা পুরক্লবগীদমক থবক তৌবদি য়াই, তরাম্না ওকই অদুবু মণিপুর লৈঙাকপু কান্থোকপা থবক তৌরক্লবদি কোকোমিনা য়াবা ঙম্লোই হায়না লূপ অসিগী কনভিনর ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোরক্লি।



হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিগা উন্নবদা মহাক্না হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা অমসুং লৈঙাক অসিগী মতিং লৈনা থৌদাং লৌগদবা থবক্তি মীয়ামগী পূন্সি ঙাক-শেনবা অমসুং কনবনি। অদুবু লৈঙাক অসিনা হায়রিবা থবক অসি তৌবা ঙমদ্রবদি মসিগী মায়োক্তা মীয়াম হৌরক্কনি হায়রকখি।

মীচম ফারগা হেক্তা হাৎতোকপগী থৌওং কোকোমিগী ওইনা অকনবা মওংদা য়ানীংদে। ফাখিবা মীচম্বু মতম চানা কন্নবা হোৎনখিদবা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী দব্বল ইঞ্জিননি হায়রিবা অসিনা মীয়ামগী পূন্সিবু থৌ-ৱা শাদনা অমসুং লূম্না লৌদনা মখোয়গী পার্টি অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬